## বিহার তুরেলদা ইরাক্লবদা মীওই মঙা শিরে

পটনা, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী) :
বিহারগী ঔরঙ্গবাদ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফম অমদা চহী নৌরিবী নুপীমচা মরিগা লোয়ননা মিয়ায় চল্লবা নুপা অমা তুরেলদা ইরাক্লদুনা শিরে হায়না পুলিসকি রিপোর্ট অমনা হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবী নুপীমচা মরি অদু চহী ১৩-১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ঙাক্তনি। মখোয় মরি তুরেলদা ফি শুনবা লাকখিবনি। মখোয় মরিগী মরক্তগী অমা ঈশিংদা তাশিন্দুনা ইরাক্লখি। মদুদা মখোয় অহুম্লা কন্নবা হোৎনবদা মখোয় অহুমসু ঈশিংদা লাকশিনখিবনি। মনাক নক্লা লৈরম্বা নুপা অমনা থৌদোক অদু উবদগী নুপীমচাশিং অদুবু কন্নবা হোৎনখি। অদুবু লাইবক থিবদগী মহাকসু ঈশিংদা লাকশিনখিবনি হায়রি। তুংদা রেস্ক্যু টিম অমা মফম অদুদা লাক্লুনা হকচাংশিং অদু রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে হায়রি।

অমরোমদা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারনা থৌদোক অদুবু অৱাবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি অমদি লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা কম্পেন্সেসন ওইনা লুপা লাক্ষ ৪/৪ পীনবসু মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।

## নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা সরদ পৱার ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎতা শরুক য়ারগনি




বরামাতি, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী) :
কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎতা নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি) গী লুচিংবা সরদ পৱারসু শরুক য়ারগনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এন সী পিগী লুচিংবা অসিনা পাউমীশিংগী মমাংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খিবদা, রাহুল গান্ধীনা লুচিংবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎনা মহারাষ্ট্র হেক লানশিল্লকপগা মহাকসু খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াগনি। কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদরশিং অশোক চভন অমসুং বলাসাহেব থোরাতনা খোঙচৎ অসিদা মহাকসু শরুক য়ানবা ইনভাইট তৌরকপা লৈখ্রে। ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ অসি নভেম্বর ৭ তা মহারাষ্ট্রদা থুংলগনি হায়না পানরি।

কোংগ্রেস অমসুং এন সী পিগী মরক্তা ৱাখল্লোন মান্নদবা কয়া লৈরবসু হন্দক রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা খোঙচৎ অসিদা লৈবাক অসিদা ঈং তপ্পা পুরক্লবা খোঙচৎনি। মরম অদুনা মহাকসু শোয়দনা খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াগনি। মহারাষ্ট্র মনুংদা ভারত জোরা যাত্রাগী খোঙচৎ অসি য়ৌশিল্লকপগা এন সী পি খক্তা নত্তনা অতোপ্পা পার্টিখরসু শরুক য়ারবা য়ানা লৈরে হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, শান্ন-খোৎনবগী লমদা পোলিটিক্স পুশিল্লোইদবনি। অদুবু হন্দক বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়াগী মতাংদা পোলিটিক্স পুশিল্লকখিবা অসিদি লাইবক থিবনি। মসিদি অঙম তানবগী থৌওং অমনি। মসিনা তুংদা শান্নবগী লমদা চাওনা মাঙহল্লক্কনি হায়বসি লুচিংবশিংনা কাউরোইদবনি। মহাক্লা বি সী সী আইগী প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈ মতমদা গুজরাৎকী রিপ্রজেন্টেটিব অসি হৌজিক লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিনা ওইখি। অদুগা অরুন জেটলিনা দেল্লিগী অমদি অনুরাগ থাকুরনা হিমাচল প্রদেশ রিপ্রজেন্ট তৌখি। মতমদুদা পোলিটিক্স অমত্তা তৌনবা লৈখিদে। ঐখোয়গী ইথৌদি শান্নরোইশিংদা খুদোংচাবা পীবনি। মসিদা লন্নাই নৎত্রগা মুক্লবগী মমি তাহনবা অচুম্বা নত্তে। মতিক চাবা মীওই অমবু বি সী সী আইগী লুচিংবা ওইনা খনবা হায়বসি খুদিংমক্কী অপাম্বনি হায়রি।

ৱার্ল্ড কপ ৱিন্নর রোজর বিনিবু ইন্দিয়ন ক্রিকেটর সৌরব গাঙ্গুলিগী মহুত্তা হন্দক্তা বি সী সী আইগী ৩৬ শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবনি। মালেমগী ওইনা ক্রিকেট বোর্দতা খ্বাইদগী পৈশা পায়বা ওইরিবা বি সী সী আইগী থবক থৌরম রোজরদা পুহন্নবা খনখিবা অদুগী মতাংদা মায়কৈ খরদগী য়ানিংদবসু ফোঙদোক্ল রকপা লৈখ্রে। হন্দক বি সী সী আইগী থৌ পুনবা খনখ্রবা মীওইশিং অদুদি জয় শাহ (সেক্রেটরি), অসিস শেলর (ট্রেজরর), রজিব সুক্লা (ভাইস প্রসিদেন্ট) অমসুং দেবজিৎ সাইকিয়া (জোইন্ট সেক্রেটরি)নি।

## প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু ইকায়বা পীবা তৌরোইদবনি : কেজ্রিৱাল



ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিগী কোনুং দেল্লিদা লৈরিবা লৈঙাক্লা মীয়ামদা লেম্না খুদোংচাবা কয়া পীরিবা অসিগী মতাংদা য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা অদু লাইবক থিবনি অমদি লৈবাক অসিদা পোৎকী মমল কা হেন্না তাংখৎলকপদগী মীপাইবা পোক্লিবা মীয়ামদা করি মরমগীদমক ফ্রি এদ্যুকেসন অমদি ফ্রি ট্রিটমেন্ট ফংহল্লোইদৌরিবনো হায়না দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালদা ৱাহং তৌরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখিবদা, মীয়ামদা লেম্না খুদোংচাবা পীবগী থবক থৌরমশিং অসিবু লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হুন্দুনা ঙাওলি। মসিদি লৈবাক অসিগী মীয়ামদা ইকাইবা পীবনি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা পোলিটিসিয়ানশিং মখল মখা কয়াগী খুদোংচাবশিং ফংলি অমদি অহেনবা শেনফম কয়া অমসু মখোয়গীদমক কায়থোক্তুনা থম্লি। অদুবু কন্মন মেনশিংনা পোৎ চৈ মমল কা হেন্না তাংখৎলকপদগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। অসিগুম্বা অৱাবা তারবা মীওইশিংদা মতেং পাংবা হায়বসি লৈঙাক্কী মথৌনি। মরম অদুনা করি মরমগীদমক অসিগুম্বা মীওইশিং অসিদা লেম্না মৈ, লেম্না লাইরিক তম্বা অমদি লেম্না লায়েংবা ফংহল্লোইদবগী মরম লৈতে। মরম লৈরবদি মদু প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়াম মমাংদা খঙহনগদবনি। মিদল ক্লাসশিংনা বেঙ্ককী লোন শিংগৎপা ঙমদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরি অদুগা শেঞ্জাও পায়বশিংগী বেঙ্কনা লোন কোকপীরি। মসিনা করম্বা লৈঙাক্লো হায়নসু মহাক্লা প্রাইম মিনিষ্টরদা হংখি।

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা মধ্য প্রদেশতা পাঙথোকপা মীয়ামগী রেল্লি অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱাঙাঙলদুনা ফ্রিবিসগী কলচর অসিবু হুন্দুনা ঙাঙখিবনি। লৈবাক অসিগী টেক্স পেয়র খুদিংমক্লা দিৱালিগী কুম্মৈ লাকপদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লরি। লাইরবা মীওই কয়াসু অৱাবা কয়া কাউথোক্তুনা মৈগী কুম্মৈ অসিদা শরুক য়ারি। অদুবু টেক্স পেয়রশিং অসিনা মখোয়দগী খোমগৎখিবা শেনফমশিং অদু ফ্রিবিস কলচরদা শিজিন্নরি হায়বসি খঙলকপা মতমদা পেন্দবা পোক্কনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা মথক্কী ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি হায়রি।

## পোৎ চৈ পুবা ট্রেন এক্সিদেন্ট থোকখ্রে

ফটেপুর, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী) :
দেল্লি-হাউরা রুটকী ফটেপুর মনাক নক্লা লৈবা রেলৱে ট্রেক অমদা পোৎ চৈ পুবা ট্রেন অমা গুরুং চৎপদগী অতোপ্পা ট্রেনশিং চখোক চৎশিন তৌবদা পুং ৮ হেন্না অয়েৎ অপন থোকহনখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি উট্টর প্রদেশকী মনুং চনবা ফটেপুরগী রামৱান ষ্টেসন মনাক্তা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা থোকখিবনি। এক্সিদেন্ট অদুদা ট্রেন অদুগী পোৎ হাপ্পা কোচশিং অদু অমগা অমগা ননশিন্নদুনা লৈখি। ট্রেন এক্সিদেন্ট অদু মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বা হৌজিক্কি ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়না মরী লৈনবশিংনা ফোঙদোক্লরকখিবগা লোয়ননা টেক্নিকেল প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা থোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

## অগ্রা-লখনৌ এক্সপ্রেসৱে বস এক্সিদেন্টতা মীওই ৪ শিরে



ইতাৱা, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী) :
উট্টর প্রদেশকী ইতাৱা দিষ্ট্রিক্ট ফাওদুনা চৎলিবা অগ্রা-লখনৌ এক্সপ্রেসৱেদা থোকখিবা বস এক্সিদেন্টকী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪ শিখ্রে অদুগা ৪২ শোকহনখ্রে হায়না মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লাইবক থিবা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ইতাৱাগী এদিস্নেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ফোঙদোকখিবদা, স্লিপর বস এক্সিদেন্টকী থৌদোক্তা শিখ্রবশিংগী মনুংদা চহী ৭ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা য়াওরি। থৌদোক অদুদা শোক্লবশিং সাইফাগী বি জি আই হোস্পিটালদা এদমিট তৌখ্রে হায়রি।

স্লিপর বস অদু গোরাখপুরদগী অজমর তম্না পেসেঞ্জরশিং পুদুনা থৌরকখিবনি। সাইফাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা অগ্রা-লখনৌ এক্সপ্রেসৱেদা পেসেঞ্জরশিং পুদুনা লাকখিবা বস অদু টাটা অমগা থোমজিন্নবদগী মীওই ৪ খুদক্তা শিখিবনি। শিখ্রবশিং অদুগী মনুংদা অনীনা বস দ্রাইভরনি অদুগা অনীনা পেসেঞ্জরনি। এক্সিদেন্ট অদু মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

অমরোমদা উট্টর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা বস এক্সিদেন্টকী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগীদমক অৱাবা ফোঙদোরক্লি। অমদি লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা তাহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওইশিংসু অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়না চীফ মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চথুদুনা লৈরিবা অশোকপশিংগী ফিভম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিন্নবা পাউতাকসু পীখি অমদি থৌদোক থোকফমদা মরী লৈনবশিং চঙশিন্দুনা মতৌ করম্না লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনো হায়বগী মতাংদসু য়েংশিন্নবা খঙহনখ্রে হায়রি।

## ছতিসগর হেল্থ সেন্টরদা নর্স অমা গেংরেপ তৌখ্রে



ভোপাল, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী) :
তাবদা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমা ওইনা ঙরাং নুংথিল পুং ৩ রোম তারকপদা ছতিসগরদা লৈবা হেল্থ সেন্টর অমদা মীওই মরিনা নর্স অমবু পুন্দুনা থল্লগা গেং রেপ চথখ্রে। গেং রেপ চথবদা শরুক য়াখিবা মীওই মরি অদুগী মনুংদা মাইনর অমসু য়াওই হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অসি ঙরাং মহেন্দ্রগর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চিপছিপি ভিলেজদা থোকখিবনি। থৌদোক থোকখিবা নুমিৎ অদুদা নর্স নুপী অসি মতোমতা হেল্থ সেন্টর অদুদা মথৌ তৌদুনা লৈখিবনি। মহাক্লা মথৌ তৌদুনা লৈরিঙৈদা মীওই মরি অসি মহাক্কী ফম্ফম কাদা চঙশিল্লক্তুনা মহাকপু চৌক্রিদা পুন্দুনা থমখি। অহানবা মখোয় মরি অদুনা নুপী অদুবু লক্ল বগী মওংদা তৌরম্বদগী গেং রেপ ওইনা চথখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা হায়দোক্লবদি ভিক্টিম অদুবু হাৎকনি হায়নসু মীওই মরি অদুনা কিহল্লমখি। অদুবু তুংদা ভিক্টিম অসিনা থৌদোক অসিগী মতাংদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা হায়রবা মতুং পুলিসতা কমপ্লেন তৌখিবনি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মশাগী চহী ১৭ খক্তমক ঙাইরিবা মাইনর অদুগা কোন্ননা চেন্নরিবশিং পুলিসনা ফারে হায়রি।

## পন্দুনা লৈরকখিবা শিন্মীশিং পুরকখ্রে

জবলপুর, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী) :
মধ্যপ্রদেশকা য়ুমথংননা লৈরিবা মহারাষ্ট্রদা থবক শুবা চৎখিবা শিন্মীশিং দিৱালিগী কুম্মৈ য়াওনবা ময়ুমদা চৎনবা শেনফম লৈতবদগী পন্দুনা লৈরকখিবা অদু মধ্যপ্রদেশ পুলিসনা মীওইবগী মীনুংশি য়েংলগা মখোয়গী মরমদম মধ্যপ্রদেশতা অমুক হন্না পুরকখ্রে হায়রি। জবলপুর পুলিস টিমনা অখন্ননা হিরম অসিদা মীৎয়েং চঙদুনা মহারাষ্ট্রদা পন্দুনা লৈরিবা ষ্টেট অসিগী শিন্মী ৭০ পুরকখিবনি হায়রি।

## থা খুদিংগী লুপা ১০০/১০০ খোমগৎপগী ওর্দর হন্দোকখ্রে

কর্নতকা, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী) :
কর্নতকাদা লৈরিবা গভর্নমেন্ট হায় স্কুলশিং অমদি প্রাইমরি স্কুলশিংদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী ইমুং মনুংদগী থা খুদিংগী লুপা ১০০/১০০ খোমগৎনবা ওর্দর অমা গভর্নমেন্টনা থোকখিবা অদু ঙসি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা হন্দোকখ্রে হায়রি।

থা অসিগী ২০ দা মিনিষ্টর ওফ স্কুল এদ্যুকেসন অমসুং গভর্নমেন্ট হায়স্কুল অমসুং প্রাইমারিশিংগী ওইনা লৈরিবা দিবলপমেন্ট এন্দ মোনিটরিং কন্মিটিনা খন্নরবা মতুং স্কুলশিং অসি দিবলপমেন্টকীদমক লুপা ১০০/১০০ মহৈরোয়শিংগী ইমুংদগী লৌখৎনবা ফিরেপ লৌখিবনি। অদুবু মখোয়গী ফিরেপশিং অদুবু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখ্রবা মতুং মখোয়গী ফিরেপ অদু অমুক হন্দোকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা ওপোজিসনদা লৈরিবা জে দি (য়ু) না গভর্নমেন্টকী ফিরেপ অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী ফন্দ লৈতবদগী মীয়ামদগী খোমগৎলগা লৈঙাক্কদৌরিব্রা হায়নসু হংলক্লি।

## পুং ২৪ দা কোভিদকী অনৌবা কেস ১,৯৯৪ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১,৯৯৪ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৪ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১,৯৯৪ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৪২,৭৪২ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ২৪,৪৩২ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ৪ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,২৮,৯৬১ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৭৬ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০৫ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি হায়রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা পুন্না ভেক্সিন দোজ ২১৯.৫৫ ক্রোর কাপখ্রে হায়রি।

## কেনিয়াগী প্রসিদেন্ট মীখলদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়ন ২ হাৎলম্লে

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী) :
কেনিয়ন প্রসিদেন্ট ৱিল্লিয়ম রুতোগাগা য়াম্না নক্লনা চৎমিন্নরিবা ইতুবিনা ফোঙদোকখিবদা, চহী অসিগী জুলাই থাদগী মফম খঙদনা মাঙখিবা ইন্দিয়ন অনী অথিংবা থমখ্রবা দি সী আইগী য়ুনিটনা হাৎলম্লে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ইতুবিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা জুলফিকর অহমদ খান অমসুং মহাক্কী মমান্নবা মোহমদ জয়েদ সমি কিদৱাই চহী অসিগী জুলাই থাদা টেক্সি দ্রাইভর নিকোদেমুস মোনিয়াগা লোয়ননা মফম খঙদনা মাঙখিবনি। মফম খঙদনা মাঙখিবা ইন্দিয়ন অনীমক প্রসিদেন্ট রুতোগী কেম্পেনদা মরুওইনা শরুক য়াখিবা ঙাক্তনি। মখোয় অনী মফম খঙদনা মাঙখ্রবা মতুং প্রসিদেন্ট রুতোনা মরী লৈনবশিংদা পায়খৎপা য়াবা থবক খুদিংমক পায়খত্তুনা মখোয় অনীবু ফংনবা হোৎনগদবনি হায়বা অকনবা ইন্সট্রক্সন ফাওবা পীদুনা থিবগী থবক চথখি। অদুবু ঙরাং মখোয় অনীগী অশিবা হকচাং অদু সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা থেংনখিবনি। অদুবু দ্রাইভরদি ফংদ্রি হায়রি।

## মপু লৈত্রবা হুইশিংবু য়ুমদা পুশিন্দুনা য়োকপা য়াগনি



নাগপুর, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী) :
লম্বীদা কেয়চৎ চত্তুনা লৈরিবা মপু লৈত্রবা হুইশিং অসিবু হুই পামজবা অমদি নুংশিবা মীওইশিংনা য়াম্না ফোর্মেল ওইবা মওংদা মখোয় মখোয়গী ময়ুমদা পুদুনা মচিঞ্জাক পীজবিবা অমদি য়োকপা য়াগনি হায়না বোম্বে হায়কোর্টকী নাগপুর বেঞ্চনা ঙরাং ওর্দর অমা থোকখ্রে।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না মপু লৈত্রবা হুইশিং অসিবু য়ুমদা পুশিন্দুনা য়োকপদি য়াগনি অদুবু হায়রিবা অসিগী ওন্ন-তৈনবদা চীঞ্জাক ওইনবা নৎত্রগা তাথি তওইনা তৌবা থেংনরবদি পুলিসতা এক্সন লৌখৎনবসু খঙহনখ্রে। মহারাষ্ট্রদা মপু লৈত্রবা হুই কয়ানা লম্বীদা চত্তুনা মিচঞ্জাক থিবা অসিনা মরম ওইরগা লম্বীদা চখোক চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংদা চাওনা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লহল্লি। মসিগী মথক্তা হুইশিং অসিনা মী চিকপগী থৌদোকশিংসু তোয়না থোক্লি। গভর্নমেন্টনা অসিগুম্বা হুইশিং অসিগী তোঙানবা লৈফম অমা শেম্বীদবগী মতাংদা মায়কৈ কয়াদগী পেন্দবা ফোঙদোক্লরকপসু লৈখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হিরম অসিগী মতাংদা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎপা লৈত্রি। মসিনা মরম ওইরগা মপু লৈতবা হুই মশিংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তসু দেল্লিদা মপু লৈতবা হুই অমনা মশাগী চহী অমখক্তা ঙাইরিবা অঙাং অমা তমথিনা চীকপদগী হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নরবা মতুং অশোকপনা মরম ওইরগা অঙাং অদু লাইকন্নবা ঙমদনা শিখিবনি। মদুগী মতাংদসু নোইদাদা মীয়াম্না কেন্দল রেল্লি ফাওবা চৎখ্রবনি হায়রি।

## বেল প্রেয়র কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে

বেঙ্গলুরু, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী) :
জর্নেলিষ্ট গৌরি লঙ্কেস মর্দর কেসকা মরী লৈননা কেস অসিগী একুজনা বেল পীবিনবা হায়জরকখিবা ৱাফম কর্নাতকা হায় কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে হায়রি।

জর্নেলিষ্ট গৌরি লঙ্কেস হাৎপগা মরী লৈননা হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী জানুৱারী থাদা রিসিকেস দেবদিগরবু পুলিসনা ফাখিবগা লোয়ননা জেলদা থমদুনা লাকখিবনি। কর্নাতকাগী স্পেসল কোর্ট অমদা ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদকী মখাদা বেল পীবিনবা এপ্লিকেসন অমা থারকখি। মহাক্লা থারকখিবা এপ্লিকেসন অদু কোর্ট অদুনা পায়খৎতবদগী হায় কোর্টতা অমুক চেলেঞ্জ তৌরকখিবনি। একুজ অসিনা চার্জ তৌরকখিবগী মতুংইন্না মহাকপু মী হাৎপগী কেসকা মরী লৈননা ফাখিবনি। মহাক কেস অসিগা মরী লৈননা ফারবা মতুং নুমিৎ ৯০ নিগী মনুংদা চার্জ সীট অমা থাগৎকদবনি। অদুবু চহী অদুগী এপ্রিল থা ফাওবদা চার্জ সীট থাগৎলকখিদে। মরম অদুনা মহাক বেলদা থাদোকফম থোকই হায়না চেলেঞ্জ তৌরকখিবনি। অদুম ওইনমক মহাক্লা চেলেঞ্জ তৌরকখিবা অদুবু হায় কোর্টনা রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী বেল এপ্লিকেসন অদু ককথৎখিবনি। অমরোমদা কেস অসিগী চার্জ সীট মমাং চহীগী মে থাদা থাগৎলকখ্রে হায়রি।

## পঞ্জাবকী মহুত্তা কেরলানা দ্রগকী কেপিটেল ওইনা মহুৎ শিল্লক্লি : গভর্নর



কোচি, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা দ্রগকী কেপিটেলনি হায়নরিবা পঞ্জাবতগী কেরলানা তপ্না তপ্না দ্রগকী কেপিটেল ওইনা মহুৎ শিল্লক্লি হায়না কেরলাগী গভর্নর অরিফ মোহমদ খাননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসি য়াম্না লাইবক থিবা অমদি ইকাইনিঙাইনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা গভর্নর অরিফনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কেরলা লৈবাক অসিগী ওইনা লিটরেসি রেট খ্বাইদগী ৱাংবা ষ্টেটনি। চাম্মদা চাম্ম লিটরেসি ওইরবসু ষ্টেট অসিগী মরুওইবা রেভিন্যুদি অলকোহোল অমসুং লোটরিনা ওইরি। ষ্টেট অসিগী মকোক অমা ওইনা মহাক্তি মসিদা য়াম্না ইকায়বা পোকই। অদুবু কেরলা লৈঙাক্লা অসিগুম্বা কয়া অসিবু পুক্লিং থৌগৎলি হায়রি।

কেরলাদা লৈরিবা লেফ্ট গভর্নমেন্টকী লুচিংবশিং অমদি গভর্নর অরিফকী মরক্তা য়াম্না তোইনা অৱাই অখুম তৌনরিঙৈ মরক অসিদা গভর্নর অরিফনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিদা লোটরিগী চৎনবী অমা চাওনা লৈরি। লোটরি টিকেট কক্লিবশিং অসি মরুওইনা লাইরবা ইমুংগী মীওই ঙাক্তনি। মসিদি লাইরবশিংদগী লূট তৌবনি। অমরোমদা ষ্টেট অসিদা অলকোহোল শিজিন্নবদা লৈঙাক্লা হেন্না পুক্লিং থৌগৎলি। মসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়া য়ুদা এদিক্ট ওইরি। ফিভম অসিদা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা খল্লগা থবক তৌবগী মহুত্তা ষ্টেট রেভিন্যুদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লগা থবক তৌরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা পঞ্জাবকী মহুত্তা কেরলানা দ্রগকী কেপিটেল তপ্না তপ্না ওইরক্লি হায়রি।

পনবা য়াবদি গভর্নর অরিফ অমসুং কেরলাগী চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি ভিজয়ন অনীগী মরক্তা লোটরি অমসুং লিকরগী মতাংদা য়েৎনদুনা লাকখিবনি হায়রি।

## ষ্টেজ মথক্তা রিটয়র্দ প্রোফেসর অমা হার্ট এটেকনা শিরে

চাপ্রা, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী) :
বিহারগী চাপ্রা দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকপা লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙলিঙৈদা থবক্তগী পোথারবা প্রোফেসর অমা খঙহৌদনা লেকথরকপদগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবদা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রবা প্রোফেসর রনঞ্জয় সিংহ মরুথি মনাস টেম্পলগী চীফ সেক্রেটরি ওইনসু থবক তৌরম্মী। হায়রিবা টেম্পল অসিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙলিঙৈদা লাইবক থিবা থৌদোক অসি থোকখিবনি। মহাক ষ্টেজ মথক্তা লেকথরকপগা মনাক নক্লা লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি। অদুবু হোস্পিটাল য়ৌখিবা মতমদা দোক্টরশিংনা মহাক শিনা পুখৎলক্লে হায়না লাউথোরকখি। দোক্টরশিংগী রিপোর্ট মতুংইন্না প্রোফেসর অসি হার্ট এটেকনা মরম ওইরগা লৈখিদবনি হায়রি। অমরোমদা মহাক লৈখিদবদা মরুথি মনাস টেম্পলগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

## সাউদিগী ক্রাউন প্রিন্স মথং থাদা ইন্দিয়াদা ভিজিট তৌরগনি

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী) :
কিংদম ওফ সাউদি অরাবিয়াগী ক্রাউন প্রিন্স ওইবতা নত্তনা প্রাইম মিনিষ্টরসু ওইরিবা মোহমদ বিন সলাম মথং থাগী ময়ায় চল্লকপদা ইন্দিয়াদা ভিজিট তৌরগনি হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা মমাং থাদা এক্সটর্নেল এফ্যোর্স মিনিষ্টরগী খুথাংদা সাউদি অরাবিয়াগী ক্রাউন প্রিন্স বিন সলামবু ইন্দিয়াদা লাক্লবা ইনভাইট তৌখিবনি। মহাক নভেম্বর থাগী ১৪ দা লাক্লগা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উন্নগনি অদুগা নুমিৎ অদুমক্তদা মহাক সাউদি অরাবিয়াগীদমক ইন্দিয়া থাদোক্কনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা মরুওইনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী হান্নদগী হেন্না ফগৎহন্নবা অমদি থাউগী ওইবা মতাংদা মরুওইবা ৱাফম কয়া খন্নরবা য়াই হায়রি।

অমরোমদা সাউদিগী ক্রাউন প্রিন্স অসিগী ইন্দিয়া খোঙচৎকী মাঙওইননা চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা সাউদিগী ইনর্জি মিনিষ্টর অবদুলাজিজ বিন সলমান লৈবাক অসিদা লাক্লম্বগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা মিনিষ্টরশিংগা উনখিবা লৈরে হায়রি।